# লায়না লাক্তনবা মকোন লূ-নান্না থম্বীবা

ডা: সরাংথেম জেম্মারাণী

শা-ষণ, য়েন, ঙানু য়োকপীরিবা খুদিংমক্না লায়না চেলহন্দনা শেন্দোং লৈনা য়োকপীগে হায়রবদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্বীবা হায়বসিনি। শা-ষণ, য়েন, ঙানুশিংনা লৈগদৌরিবা মকোনশিংদু লূ-নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি।

মকোন লূ-নান্না থম্নবা পায়খৎপা য়াবশিংদি:

ক) লৈফম নীংথিনা শেংদোকপীবা।

খ) চপ চানা দ্রেনেজ থম্বীবা।

গ) নীংথিনা মকোন মনুংদা মৈ থানবীবা।

ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা

ঙ) অনাবা লৌনহন্দনবা হোৎনবীবা।

*ক) মকোন নীংথিনা শেংদোকপীবা :*

শা-ষণনা লৈরিবা মকোন্দু লুম্না থম্নবগীদমক চরু শীজিন্নবা য়াই। মসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোক্তুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মকোন্দা থম্বীগনি। মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথক্ল বা পাত্র খুদিংমক নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংদা চামথোকপীরগা কংনা নুংশাদা ফৌদোকপীরগা শীজিন্নবীগনি। মকোন মনুংদা লেংদনা লৈরিবা মচিঞ্জাক্কী পাত্র অমদি থক্লবা থল্লিবা ঈশিংগী পাত্র খুদিংমক শেংদোক্লবা মতুংদা অনৌবা মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদগী শিৎতোক শেংদোক্লবা অমোৎ অকায় পূন্নমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত-হৌদি পূন্নমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইবা তারগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমমম লৌথোক্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীদুনা থম্বীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ/ৱানা নৎত্রগা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

*খ) দ্রেনেজ নীংথিনা থম্বীবা :*

মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা ঈরম নালা চন্দুনা নলালোমদা স্লোপ নাইনা থম্বীদুনা মথি ময়ুং পূন্নমক তাহন্দুনা মপানলোমদা নীংথিনা পুথোকপীগনি। পুথোরক্লিবা মথি, ময়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম্বা পূন্নমক নোংমদা অনীরক মকোন্দগী শেংদোক্তুনা মপানলোমদা পুথোক্তুনা কোম অমা তৌদুনা থাদবীগনি। কোমসিসু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিনবীরগা থম্বীগনি।

*গ) মকোন মৈ থানবীবা :*

মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থে। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূন্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

*ঘ) নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা :*

মকোন মনুংদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈহন্নবা ভেন্টিলেসন নীংথিনা থম্বীগনি। নমথীবা মনম পূন্নমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি। য়েন মকোন শাবা মতমদসু লৈমায়দগী ফুট ১গী চাংদা শেম্বীরবা তুংদা মথক্না জালি হাপ্লগা শাবীগনি। য়েন্থীদা এমোনিয়াগী চাংদা ৱাংবা অমদি নুংশিৎতগী হেন্না লূম্বা মরম্না মকোন কা হেন্না ফুনখ্রগদি এমোনিয়া গ্যাসসি পাইথোকপা ঙমদে। মসিনা মকোন মনুংদা লৈরিবা য়েনশিংদা মমিৎতগী মপি তারকপা, লোক লৈবগী মওংদা ময়া কাথোক্লগা মখোন থোক্না লোক খুবগী মওং উৎপা উগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা নুংশিৎ মরাং কায়না ফংহল্লগদি মনম পূন্নমক কোকপা ঙমহল্লি।

*অনাবা অমগা অমগা লৌনহন্দনবা হোৎনবা :*

অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টটেন ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দোরকপা য়াবা বেক্টেরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।



দিসইনফেক্টটেন মখল অহুম থোকনা খায়দোকপা য়াই ঃ

১) নেচরেল দিসইনফেক্টটেন ঃ

নেচরেল দিসইনফেক্টটেন হায়রগদি নুমিৎকী মৈশানি। মসি খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। মসিদা য়াম্না ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা অলত্রা ভাইওলেট ৱেবলেংথ ২৪০০-২৮০০°এ য়াওবগীনি।

২) ফিজিকেল ঃ

দিসইনফেক্টটেন তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। মনিলসিসু অচোৎপা ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টটেন ওইনা শীজিন্নবসি য়াম্না কান্নে। অদুবু মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ষণ লোয়বদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা/অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্লগা থম্বা মতমদা মহিক অয়াম্বা শি। মনিল দিসইনফেক্টটেন তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নবসিসু মফমদুদা লৈরল্লিবা বেক্টেরিয়া অমদি স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। মসিগীদমক লায়না চেন্দুনা শিখ্রবা শা-ষণ মৈ থাদোকপসিনা খ্বাইদগী ফবা দিসইনফেক্টটেননি।

৩) কেমিকেল দিসইনফেক্টটেন

দিসইনফেক্টসন তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পর্মেগনেট, হায়দ্রোজেন পরওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনশিংবু রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টটেনকি কন্সেন্ত্রেসন
- কেমিকেল শীজিন্নরগনা মতম কয়ামুক কুইনা থমগদবা
- শীজিন্নবগী মওং
- কেমিকেল সোল্যুসন শেম্লগা শীজিন্নবগী মতম
- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ইফং ফংদে।

*৪) গ্যাসিয়স :*

মসিদা ঐখোয়না ফোরমেলদিহাইদ শীজিন্নরগদি মখল খুদিংগী বেক্টেরিয়া অমদি মাগী স্পোর ময়াম অমা হাৎপা ঙম্মী। পোটাসিয়ম পরমেগনেট অমদি ফোরমেলিনসি ২:৩গী চাংদা শীজিন্নদুনা মকোন্দা কাপথোক্তুনা মহীক চঙহন্দবা ঙমহল্লি। করিগুম্বদা ঐখোয়না ফোমেলিনগী মনিলশিং শীজিন্নবা তারগদি কা মনুংদা কাপ্লবা তুংদা পুং ২২ থোঙ লোনশিল্লগা থম্বীগনি। মসিদা অকনবা বেক্টেরিয়াগী স্পোর খুদিংমক শিবা ঙমহল্লি। মকোন শেংদোকপদা সোদিয়ম কার্বোনেট (ৱাশিং সোদা) শীজিন্নবা য়াই। মসি ১% হাপ্লগা শীজিন্নরগদি বেক্টেরিয়া ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি। লৈমায় মোৎপা/স্পোর হাৎনবগীদমক্তা চাদা ২ অমদি চাদা ৫ শীজিন্নবা য়াই। মসি শীজিন্নগদৌরিবা মীদুনা অনোক অমদি মখূৎকী গ্লোব উপ্পনা হেন্না ফৈ। হায়রিবা ৱাশিং সোদাসি মার্কেটতা ইরায় লায়না ফংবদা নত্তনা ঈশিং হু চেলহন্দবা অমদি ঈশিংদা লায়না তুম্বা ঙম্মী। মহীক ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই।

*লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা :*

- লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিং লৌথোক্লগা মপান্দা থম্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টটেন্ট লুপ্লগা মতম খরা থম্লবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদু ঈশিংনা হান্না চামথোক্লবা দিসইনফেক্টটেন হাপ্লগা শেংদোক্লবা তুংদা মতম খরা লৈরগা অচম্বা ঈশিংনা অমুক চামথোকপীগনি।

- করিগুম্বা লায়না মায়োক্লখিবা তারগদি মকোন্দুদা লৈরিবা চরু/ৱাই অমোৎ অকায়নচিংবা লেমহৌবা মচিঞ্জাক খুদিংমক মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুম্বীয়ু। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং সোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু। অনৌবা চরু/ৱাই হাপত্রিঙৈদা পোলিথিন শিদ অপাকপা অমা থাবীদুনা অনৌবা চরু/ৱাইশিংদু হাপ্পীগনি । মকোন মমাঙদা খোঙউপ উপ্লগা চঙনবা দিসইনফেক্টটেন য়াওরবা মহীদু মকোনগী চঙফমদা থম্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহীক চঙলকপগী চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না লায়না তীলনা চেলহন্দনা মকোন নীংথিনা লূ-নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোখোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি।



# য়ূমথোঙ কয়াদা লৈরিবা অপিকপা পুখ্রিশিংবু ফেমিলি ফার্মিংগী শরুক অমা ওইনা শীজিন্নবা

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ







মতম খরগী মমাঙদদি য়ূম অমা লৈরবদি ঈশিং-মায়শিং শীজিন্ননবা পুখ্রি অমদি চাননবা মনা-মশিং থাননবা ইঙ্খোল মচেৎ অমা শুংশোয় শোয়দনা লৈনরম্মী। পাক চাউনা লৌউ-শিংউবগী থবক পায়খৎপা নৎত্রবসু য়ূম অমদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী চান-থক্লবগীদমক্তা য়ূমগী অকোয়বদা লৈরিবা ইঙ্খোল খরা অদুদা মনা-মশিং থাদুনা অমদি শা-ঙানচিংবা য়োক্তুনা পোৎথোক কয়া পুথোকপগী থৌওং অদুবু ফেমিলি ফার্মিং হায়না খঙনৈ।

হায়রিবা থৌওং অসি মমাঙঙৈদা ফজনা চৎনরম্মী তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি খরা হন্থরে। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মফম কয়াদা হৌজিকসু য়ূমথোঙ কয়াদা চৎনরিবা থৌওং অমনি।

ফেমিলি ফার্মিং হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহননবগী পান্দমদা য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরক্লি। ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চান-থক্লবা চিঞ্জাক ৱাৎহন্দবগী পান্দমদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা কুমজা ২০১৪ অসিবু ইন্টরনেসনল য়র ওফ ফেমিলি ফার্মিং হায়না লাউথোকখ্রবনি।

হায়রিবা অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা লৌউ-শিংউ পথাপ, অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবা অমদি খুন্নাইগী ওইবা অফবা থৌওং কয়াবু খোমজিন্দুনা অফবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপদা য়াওহন্নবা হোৎনবনি।

পিক্লবসু পিক্লা ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদসু থৌওং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লবনি।


মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা ঙা চাবা অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ঙা অসি চঙদবা য়াদবা পোৎচং অমা ওইবা মরম্না ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। ঐখোয় পূন্নমক্না ইশা-ইশাগী লৈজরিবা লম খরা খরা অদুদা শুংশোয় শোয়দনা ফেমিলি ফার্মিংগী লৌউ-পথাপ পাঙথোকপীদুনা চাবা-থকপদা ৱাৎতবা লমদম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নরসি।

ঐখোয়গী লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লিবা অপিকপা মফম হায়বদি য়ূম খুদিংগী পাঙথোক্লরিবা থৌওং অসিদা মনা-মশিং থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা অমদি শা-ঙা য়োকপনচিংবশিং য়াওরি। হায়রিবা থৌওং অসি অহল-লমন্না মখোয়না থেংনরুবদগী খঙলকপা লৌশিংশিং অদু মথং মথং তাক্লমদুনা হৌজিক ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম হায়বা থৌওং অসিগা মান্ননা পাঙথোক্লরিবনি।

ঐখোয়গী য়ূম য়ূমগী লৈনরিবা পুখ্রি মচাশিং অসি চাননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি ঙা মচা পুথোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নদুনা শেল তানবা য়াবা অমসু ওইরি অমদি ইমুং অদুগী মচি ওইবা চিঞ্জাকসু ফংহল্লি।

অপিকপা পুখ্রিশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না লুবা ওইগন্দে। মরম অদুনা নুংশিত্তগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবীগুম্বা ঙাশিং য়োকপদা চান্নগনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা তৌইগুম্বসুং মশীং য়াম্না হন্থরবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙানপ মখল খরা, ফাবৌঙা মখল খরা, ঙাক্রানচিংবা ঙাশিং য়োক্তুনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী চত্থদুনা লাক্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী থৌওং অসি বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা চত্থদুনা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং মফম মতম অমদি মফমদুগী অঙ্গং-অশাগা চানবা থৌওংশিং থিজিন্দুনা পুথোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। মসিদসু নত্তনা ফেমিলি ফার্মিংদা শরুক য়াবিরিবা মীওইশিংবুসু তৌগদৌরিবা থৌওং অদুগী মতাংদা মপূং ফানা খঙহননবা ত্রেনিং অমদি থৌওং কয়াগী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী তঙাইফদবসু লৈরি।




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯০

১। মণিপুরগী পুৱারীদা 'শানোংবা হিগায়ৱা' গী ৱা চাউনা ইদুনা লৈরি। মসিগা মরী লৈননা অমুক 'তৌবুল লানফম' হায়বা অমসু ইদুনা লৈরি।
(ক) তৌবুল য়াঙ্গোই তুরেল মপানগী লানফমদু করম্বা চহীদনো?
(খ) মৈদিংঙু খাগেম্বগী মনাও য়াইমা খুরাইলাকপগী অশেংবা মমিং করি কৌই?

২। ''ওইদবা ৱানা অওইবা মালহনবা হায়বসি কোমেদিগী লাইৱানি।'' ৱাফম অসি ঐখোয়গী মমিং লৈবা দ্রামা ইবা অমগী য়াৱানি। অইবদু কনানো?

৩। ''শাগৎলিবা ৱারী, থৌদোক অমসুং চরিত্রশিং... মীরোল অহুমগী অচৌবা, অপাকপা ৱারী অমনি।'' ৱাফমসিনা ক্রিটিক অমনা 'নুংশিননা হিংমিন্নবা' কৌবা উপন্যাস অদুগী মতাংদা হায়রিবনি। উপন্যাস অদুগী অইবদু কনানো?

৪। মোহন রাকেশকী 'আষাড়কা এক দিন' হায়বদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা 'কদোমদনো চৎলিসিবু' হায়না লীলা ওইনা পুথোকখ্রে। লীলা অদুগী অইবীদু কনানো?

৫। ''লক্লরুগে ঙসিদি/শান্নরুগে কুম্মৈদুম/নুমিদাংৱাইরম নুংশিৎকী/খঙহল্লুগে ইতিক্তুম'' লৈবাক্না পাম্নরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*